# পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয় - ১৮




রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

**Mahmud of Ghazani** না ইন্দিয়া নৈখায়বা য়াবা অমদি থুগায়বা য়াবা পূম্নমক থুগাইরম্লগা অঙন্বা লন থুমশিং পুজখ্রবসু, ইন্দিয়াগী মীয়াম য়াম্না ৱাহল্লম্লবসু মহাক্না লান্দাবা লাকপদা মুসলিমগী আর্ট ফোর্মশিং খরদা ওইরবসু ইন্দিয়নশিংদা মরু ইহুল তম্লম্ফম থোকই। খুদমদি Al Beruni was the first Muslim to study the 'PURANAS'. He also introduced the 'BHAGAVAD GITA' to the Muslim readers. হিন্দুশিংগী ওইবা Puranas, the 'BHAGAVAD GITA' য়াম্না ৱাংখ্রবা ৱাঙুলোনগী লাইরিকশিংনি। লাইরিকশিং অসিদা য়াওরিবা verse িং অসি পংপাদা পাবা য়াদে, পংহায়দা হায়বা য়াদে। মসিদা Rhyme and Rhythm নচিংবশিংদা পাদবা য়াদে। মসি মরু ওইনা Indian Music and Dance form শিংগী Rhyme and Rhythm গী হৌরকফমনি। মরম অসি লৈবনা Al Beruni না ইন্দিয়াগী 'Puranas' and the 'BHAGAVAD GITA' তম্লগা Muslim reader শিংদা শন্দোকপগী থৌদাং অসি অরাইবা অমদি ওইফম থোক্তে। মহাক অসি Sanskrit কী অমদি Music কীসু Knowledge লৈবা য়াম্না মগুন চেনবা মীশক অমা ওইফম থোকই। মহাক্না ইন্দিয়াগী 'Puranas' and the 'BHAGAVAD GITA' তম্বা মতমদা Persian অমসুং Arbi লোনশিংগী ওইবা Rhymes and Rhythm শিংগী মমিশিংসু মতম অদুগী ইন্দিয়াগী Puranas and the 'BHAGAVAD GITA' গী অখণ্ড অহৈশিংদা মমি তারমগনি। মদুদগী মথং মথং য়ানশিন্নরক্তুনা ঙসিগী Hindustani Classical Music হায়না মালেমদা ফমফম চাউনা কনবত্তা নত্তনা ঙসিগী মণিপুরদসু Government Music College কৌরম্বদগী Shree (Late) H. Dwijamani Dev Sharma না কৎচদুনা Shri Shri Bal Mukunda Dev Government Music College হায়না মমিং ওল্লগা ম্যুজিক্কী মহৈরোয় ময়াম অমা চহী খুদিংগী পুথোক্লি।

অমরোমদনা অমুক মালেমগী খ্বাইদগী চাওখ্রবা Grammy Award কী World Music Category দা Indian Musician শিংনা এৱার্দ কয়া ফংখ্রে। অহানবা ওইনা Pandit Vishwamohan Vath মথংদা Pandit Ravi Shankar অসিনচিংবশিং অসিনি। মরমশিং অসি লৈবনা মুসলিমনা ইন্দিয়াদা অহানবা লান্দারকখিবগী অফবা মহয়সু লৈতবা নত্তে হায়বা ৱাখল্লোন অসি লাল্লোইদরা নীজৈ। মতাং অসিদা The 'BHAGAVAD GITA' গী fourth discourse কী 7th verse তা 'SRI KRISHNA' না Rhyme and Rhythm য়াওনা হায়বদি ম্যুজিক্কা মরী লৈননা থিখিবা Verse অমত্তং থমজগে।

Yada Yada Hi Dharmasya
Glanirvabati Bharata.
Abhyutthyanamadharmashya Tadadmyanama Shreejamyaham ।।৩।।

ৱাহন্থোক in Meitei Language : অচুম্বা, অশেংবা অমদি অরানবনচিংবশিং অসিনা লৈখা তারক্লবা মতমদা, হে Arjuna, অদুগা অরানবা, শেংদবনচিংবশিং অসিনা মরায় হাইগৎলক্লবা মতমদা ঐহাক্না ফত্তবা পূম্নমকশিং অদুবু ঐহাক ইশামক্না শেংদোকই।

অতোপ্পা The 'BHAGAVAD GITA' গী Fourth Discourse গী 8th verse অমত্তংগা থমজগে।

Paritranaya Shadhunang
Vinashaya Ch Duskritama।
Dharmashangsthya panarthaya Shambhawamee Yuge Yuge ।।৩।।

Translation into English Language : For the protection of the good, for the destruction of the wicked and for the establishment of the righteousness, I am born in every age.

Muhmud of Ghazni অমসুং Muhammad Ghori না North India দা ওৎপা য়াবা, নৈবা য়াবা, পুবা য়াবা পুখ্রবগী মতুংদা; ইন্দিয়াদা The Delhi Sultanate না অঙনবা Turkish Rulers (Slave Dynasty) না 1206 A.D. দগী 1290 A.D. ফাওবা লৈঙাকই। হায়রিবা লৈঙাকলোনশিং অসিগী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়শিংগী মরমদা অফ-ফত্ত করি-করি লৈবগে হায়বদু নৈনজরক্কে। Delhi Sultanate কী অহানবা (Slave Dynasty) গী নিংথৌ Qutbuddin Aibak না 1206 A.D. দগী 1210 A.D. ফাওবা দেল্লিদা নিংথৌ ওইনা পাল্লি।



Muhammad Ghori হাৎতোক্লবা মতুংদা Qutbuddin Aibak না চহী ৪ (মরি) খক্তমক দেল্লিদা কোনুং শারগা পাল্লম্মী। মতম্না তেনমনখিবনা পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়নচিংবশিংগী থবকশিং পাঙথোকপা ইঙম ঙমখিদে। মতম অদুগী ইন্দিয়ন অসি লাল্লক ওইবা মরম্না লোন্না লোন্না খুদোংচাবা য়েংদুনা ইন্দিয়াগী ফাওরবা Bharat Muni না ইবা Bharat Natyasastra গী Margi Taal system বু 13th Century A.D. গী ফাওরবা অমদি মমিং লৈরবা Pandit Saranga Dev না ইবা Sangeet Ratnakara কৌবা লাইরিক্তা হেন্না লাইথোক্না Margi Taal শিংবু Desi তাল system হায়দুনা চহী চা কয়া চঙনা হোৎনরম্মী। অরিবা মতমদা অরান খুভম ফংনবগী Muni শিংনা শেম্লম্বা পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়শিংবু মতমগী য়াওল মতুং ইন্না Desi Sangeet হায়দুনা পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়শিংগী Muni শিংনা শেমদ্রবনিনা অরান খুভম ফংগনি হায়বা অসি থাজফম থোকপরা হায়বসিগী মরমদা খুন্নাই খুন্নাইশিংগী ওইবা থম্মোয়গী ওইবা ৱাহং অমদি হংফম থোকপরা হায়না খঞ্জে। Qutbuddin Aibak পু মীয়াম্না Lakh Baksh ৱাহন্থোক্তি Lakhs পীথোকপা ঙন্বা মীশক হায়বনি। মহাক্না চহী খরা শাংনা দেল্লিদা নিংথৌ ওইনা পাল্লম্লগদি ইন্দিয়াগী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়নচিংবা Art form শিং য়াম্না চাওখৎলম্বা য়াই। অদুবু তেল্লবা চহী ৪ (মরি) গী মতমদুদদি করিবু তৌরুবা ঙমগনি। পূম্নমক অসি নোংদম্বগী নোংদমখোলনি।

মতেং লৌজখিবশিং :

1. "THE BHAGAVAD GITA"
2. My wonderful Book of Social Science.
3. Taal Badyasastra.
4. অইবগী Experience.

# ৱাহং মীয়ামগী ৱাহং

এ কে ইবোমচা

**মীচং** য়াম্বা অকনবশিংনা মীশিং য়ামজদবা অশোনবশিংবু নমথবগী চৎনবীদুদা অদুমক পুন্সিসে লোমখিবা তাবরা? ইরমদম চীংলৈবাক অসিদা হিংমিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিং অসিদা অসুক য়াম্না অনেম-অৱাং খাইদোক্তুনা খরা অমনা ত্রাইবনি চাওখৎপা ৱাৎলিবনি হায়বা, খরা অমনা জেনরেলনি থাক ৱাংলবনি, চাওখৎলবনি ঐখোয়দি হায়দুনা মথন্তা পংচাউদা চাউজবা, মসিদবু ইরমদম চীংলৈবাক অসিদা লৈমিন্নরিবা য়েলহৌমী ফুরুপশিং অসিনা মতৌ করম্না নুংশিননা হিংমিন্নগদৌরিবনো? মসি ঙসিগী মীয়ামসিনা অমগা অমগা হংহনরিবা পাউখুম লৈতবা ৱাহংনি।

পীকখ্রবা চীলৈবাক অসিদা চীং-তম খাইদোক্তুনা লমদম অসিগী পাক চাউবা অপূনবা স্কার বর্গ কিলোমিটর ২২,২৩৭ অসিদা চাদা ৯২ চাউরিবা মফমসিনা চীং - সেদ্যুল এরিয়া ত্রাইবেল নত্তনা অতৈ ফুরুপশিং খুন্দা লৈতাবা য়াহন্দবা অদুগা চাদা ৮ খক্তা চাউবা লম অসিবুনা জেনরেলগী লমনি হায়দুনা ইন্দিয়াগী ফুরুপ খুদিংমক্না খুন্দা লৈতাবগী অয়াবা পীবা, মসিদা ইনিদয়া লৈঙাক্না শেল্লিবা চৎন-কাঙলোন কন্সটিট্যুসন্না য়েলহৌমী ফুরুপশিংবু তোঙান তোঙান খায়দোকপীদুনা থন্বীবা, মসিদা মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংদি চীং-তম মচিল মনাওনি হায়রগা মীতৈনা জেনরেল ওইরগা ময়াম্বা চীংমীনা ত্রাইব ওইরিবা মসিবু চুম্লিব্রা? মসিদা কনাগুম্বা খরনা চাওখৎপবু মনিং হনবা হৌনদে। চহী লিশীং অনী হেন্না নিংথৌ পান্দুনা নেসন অমা ওইনা য়াম্না চাওখৎপা অৱাংবা থাক্তা লৈরম্লবনি হায়দুনা খঞ্জরি। মসিদা মীয়াম্না ঙক্না হংনরিবা ৱাহংদি ঙসি ত্রাইবনি হায়রিবা, চাওখৎপা ৱাৎলিবনি হায়দুনা কনাগুম্বা খরনা হায়নরিবা অসিদা চহী লিশীং অনী, লিশীং মরি-মঙা চাওখৎনা নেসন অমা ওইরকখিবা অদুদা ত্রাইবশিং, ঙসি ত্রাইবেলনি হায়রিবা চীংমী ইচিন ইনাওশিংদুদি য়াওরকখিদবরা?

মখোয়সিনা নেসন ওইরকপা অদুদা য়াওরক্তবা ওইরগনা মখোয়সি কদাইদগী লাকপনো, কদোমদগী হৌরকখিবনো, করম্বা নেসন্দগী লাকপনো? ইরমদমসিদা লৈমিন্নরক্তবা ওইরগদি মখোয়গী হৌরকফম অদু কদাইদনো থিরগা মখোয়গী হৌরকফম অদুদা হলহনখিবনা চুমলোইদ্রা নংত্রগনা ঐখোয় মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসিনা ত্রাইবেল ষ্টেট অসিদা জেনরেল ওইনা লৈরম্লিবা অসিনা কদোমদগী লাকপনো, করম্বা কন্ত্রিদগী লাকখিবনো? ঐখোয় য়েলহৌমী নত্তে হায়রিবরা? য়েলহৌমী নত্তবা ওইরগনা ঐখোয়সিনা কমদৌবা? ঐখোয়গী স্কোলরশিংসিনসু মীতৈ হায়বা ফুরুপসি মোইদগী তাইদগী লাকপনি হায়দুনা ঙহাক লৈতনা পল্লি। অদু ওইরবদি ঐখোয়সি মোইদা তাইদা চৎখিবা তাবরা? হায়রিবা লমদমদুদা মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসিনা লৈননবা লৌ-ইশ্বোল লৈরমগদ্রা? ঙসি জেনরেলনি হায়দুনা চাউথোকচরিবা ফুরুপ অসিনা ঙসিদগী পারগা চহী কয়াগী মতুংদা মালেমসিদা রিফ্যুজি ওইরক্কনি হায়বদুদি হায়বীবা ঙন্বীরবরা? ঐখোয় মীতৈসি কৈদৌঙৈ হিংগদৌরি হায়বিবা ঙন্বীবরা?

অদুক য়াম্না চাওখৎলম্লবা মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসিনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরুরবা মতুংদা ঐখোয়গী শেন্থোক লন্বী শেন্মীৎলোন অসি কদোমদা চৎখ্রবগে? ঐখোয় চাওখৎলবা ফুরুপনি ইন্দিয়া লৈঙাক্না পীরিবা মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংদা থাদরক্লিবা শেনফমসি লৌদবা য়াগদ্রা? ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সেঙ্কসন্না শেম শারকপা লন্বীনি মদু ঐখোয় খঙদে হায়বা য়াগদ্রা? হৌজিক ইন্দিয়া লৈঙাক্না তৌনীং তৌনীংবা তৌবদা ইরমদমসিগী কনাগুম্বা অমত্তনা করি হায়রুবা য়াগদগে? ইরমদম অসি হৌজিক মীতৈশিংনা ঙাক শেন্দুনা লান্থেংনরি। ঙমখৈগী ওইরো, মীতোপকী ওইরো, য়ূমথংনবা লৈবাক্কী অকনবা ইথিল কয়া লান্থেংনরি। অদুগা ঐখোয়গী ইরমদমনিদি হায়রগা ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা ইনীং তম্না চৎচবা ফাওবদা বোদি সর্চ তৌদুনা চ্যেক তৌই, অধার কার্দ, ভোট্টর কার্দ চ্যেক তৌই। অদুগা থংনবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা বিহারিশিং, বেঙ্গোল্লিশিং মখোয়না লাকপদদি অথিংবা লৈতে। মসিনা তাক্লিবদি ইন্দিয়ানা ইরমদমসিবু নমথবীরি হায়বনি। ইরমদমসিদা মতিক চাবা ইন্দষ্ট্রি অমফাওবা লিংখৎপীদে, অচৌবা অৱাংবা থাকনি হায়রিবা মীতৈ মচাশিংনা লৈঙাক্কী ব্যুরোক্রেট ওফিসার কয়া য়াওদুনা লৈঙাক্কী চৎনলোন ঙাকপা ঙম্লিবগে? ঙসি ইরমদম অসিগী লৈঙাকলোইশিংসি নত্তনা মণিপুরদগী মপান ষ্টেটশিংদা গভর্ণর ওইবা নংত্রগা চীফ সেক্রেটরি ওইবা করম্বা ষ্টেটতা লৈরিবগে? অদুগা অৱাংবা থাক ওইরুবগী কান্নবা ষ্টেট অসিগী মীওইশিংনা কয়াম ফংলবগে? চহী লিশীং কয়াগী পুৱারী লৈদুনসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না কয়া য়াম্না মশক খঙবীরবগে? ঐখোয়না অদুক য়াম্না চাওখৎলম্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মনুংদা লৈখিবদগী চাবা ফংলিবসিবু করিনো? কবোক অফাবা খরা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা মুন্নরগা চারো হায়দুনা হুন্দোক্লকপদু ঐখোয় মশেল মুন্নরগা অকনবশিংনা মতোং খন খন্দুনা চারগা মরু খরদুনা মীচম মীয়াম্না অমুক মুন্নরগা চাবা, ফংহৌবা খরনা হরাউবা ফংহৌদবা খরনা চরা হেনবা, থাক অসিবু চাওখৎলবনি হায়রিবসিবু করম্বা খুৎচাওখৎনো? সেদ্যুল এরিয়ানা লেংদবা অদুগা জেনরেল এরিয়ানা নোংমা নোংমগী অসুম মীতোপ্তা য়োম্থোকপা! লম লৈরক্তবা, মীতোপ্না য়েন্নখা য়েনখুন পীক থল্লকপা, ঐখোয়গী লৈঙাকলোন্দা মীতোপ্না খূৎ থিংজিল্লকপা মদুদা ঐখোয়না করিসু হায়রুবা ঙমদবা মসিবু করম্বা খুৎচাওখৎনো? ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরবনিনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা য়াওরিবা সেদ্যুল এরিয়াগী ঙাকলৌদু লৌরগা মদুগী খুদোংচাবদু লৌদুনা ঐখোয়গী লমবু কঞ্জবা মথৌ তাদবরা? মসি মীচম মীয়াম্না হংনরক্লিবা ৱাহংনি।

মতাংসিদা ইজরিবা ইশাগী ৱাখল্লোনদি, ইরমদমসি কনাগীসু মখাদা লৈত্রিঙৈদা নোংদোন পক্না ৱাংবা থাক্তা লৈরম্লবসু ঙসিদি অপূনবা ইন্দিয়াগী মনুংদা তিল্লুরবনিনা চীং-তম তোঙান তোঙান খায়দোক্তুনা থন্বীরগা ঐখোয়বু পাঙ্গল শোন্থহন্নবা হোৎনরিবসি ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নসি হায়বসিনি। মরমদি ইশাগী ইরমসিবুনা মীঙোন্দা পীথোক্লম্লগা চাওখৎলিবনি হায়দুনা ফি ময়োম কোক্তা পুরগা অহাংবা লমহাং-চীংয়া-তময়া কোয়থি থিদুনা হিংনবা লন্বী থিবগী খূৎচাওখৎ অদুবু নুংঙাইগদ্রা হায়বসিনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্তা এম পি অনীখক লোক সভাদা লৈরিবা অসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী কন্সটিট্যুসন শেমদোকউ হায়বসিবু ঙমগদ্রা ৱা ঙাঙবগী মতম ফংগদ্রা হায়বসিনি। মতাংসিদা থমজনীংলিবদি নিংথৌ মচা ওইরবসু টি বি লায়না নারবদি টি বিগী হীদাক চাবা ফরোইদ্রা? মদুদা ঐহাক নিংথৌ মচানি, টি বিগী হীদাক চারোই হায়দুনা টি বিগী হীদাক্তু চাদ্রবদি টি বি থুংদুনা নারগা শিখিবা তাবা, মদুদা নিংথৌ মচানি ঐখোয় অৱাংবা থাক্তা চাওখৎলম্লবা ফুরুপনি, টি বি নারগা শিবা য়ারোই হায়বসিদি অতাবা মীনা নোক্কদবা মাল্লি। লান মতমদা বুলেট প্রুভ য়াওদনা ইশা ঙাক্তা নোংমৈ মরু মরক্তা নোংমৈ কাপ্পবা চঙলগা লান্থেংনগনি হায়বসিদি য়েক্লবদুগী তার্গেট ওইবা নত্তনা লানঙম ফিৱালদি পায়বা ঙম্লোই। মসিদি মশানা তরবা ৱাফমনি।

মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংশিংসিগী মরক্তা কনাগুম্বা খরনা অসুম্না হংনরক্লি। এস টি, এস সী ওইরুরগা মাঙজগদৌরিবসি করিনো? এস টি হায়রিবসি সেদ্যুল ত্রাইব হায়বনি, এস সী হায়বসিসু সেদ্যুল কাষ্ট হায়বনি। হায়রিবা অনীসি চাওখৎপা ঙমদ্রিবা ইন্দিয়াগী মীয়াম মরক্তা হন্থবা থাক্তা লৈরিবনি হায়না লৌনরি। অদুগা ও বি সী হায়রিবা অসিনা করিনি হায়না লৌগদগে? অতোপ্পা চাওখৎত্রিবা থাক্কী মীওইনি হায়বনি। এস টি/এস সী পামদে হায়রগা ও বি সী সার্টিফিকেট কোয়তান তান্নরিবনা করিগীনো? মসিবু পাম্ন রিবসিনা চাওখৎলবশিংনা তান্নগদবরা? চহী অমদা ও বি সী সার্টিফিকেট তান্নবসি দিষ্ট্রিক্ট অমদা লিশীং অনীদগী লিশীং তরুক ফাওবা তান্নরি। মসি এস টি/এস সী গ্রুপ্না তান্নবা নত্তে, জেনরেল কেটাগোরিদা লৈরিবশিংনা তান্নবনি। অদু ওইরবদি জেনরেল কেটাগোরিদা লৈরিবা মীওইশিংসি ও বি সীগী মতেংসি য়াওদ্রবদি হিংবা ঙমদ্রে হায়বদা লানগদ্রা? মসি মখোয়শিংদুনা য়াম্না নুংঙাইতনা হংদুনা লৈরবা ৱাহংনি। মতাংসিদা থমজনীংবদি অদুগুম্বা খুদোংচাবদু মীপূম খুদিংমক পাম্নরমগনি হায়বসিদা ইজরিবা ইশামক্কী থাজবনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা আর কে কয়া ও বি সী সার্টিফিকেট লৌখিবগী রেকোর্দ লৈ, ইম্ফাল ইষ্ট-ৱেষ্টতসু ও বি সী সার্টিফিকেট লৌখিবগী খুদম লৈ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতসু আর কে কয়া ও বি সী সার্টিফিকেট অদুম লৌরম্বা থেংনৈ। মসিনা তাকপদি খুদোংচাবসি মীপূম তিংনা পাম্মী হায়বসিনি।

মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি সেদ্যুল ত্রাইব ওইনীংদবনা ওইরনু-সেদ্যুল ত্রাইব ওইনীংবশিংনা ওইরসনু মসিদা করি য়েৎননীংঙাই লৈবগে? মীতৈনি হায়দুনা লৈরিবা কক্চীং-অন্দ্রো, সেকমাই-খুরখুল-ফয়েংনচিংবা ময়ামসি এস টি ষ্টেটস ওইবা তোকউ হায়বদা য়াগদ্রা। ইরমদমসিদা পূন্না চহী লিশীং কয়া নীংশিংবা থোক্রুবা মতমদগী হিংমিন্নরক্লবা তাঙ্খুল, কবুই, অনাল, মরিং, মাও-মরাম্নচিংবা ময়ামসি ঐখোয় চহী লিশীং কয়া কয়া নেসন অমা ওইনা লৈরক্লবা অৱাংবা থাক্তা চাওখৎলম্লবা ফুরুপ ঙাক্তনি। সেদ্যুল ত্রাইব ওইবা তেক্লে মদুগী খুদোংচাবদু লৌরুরনু হায়বসি য়ারক্কদ্রা? অদুগা চীংগী লমদম হায়বদা ইকায়নীংঙাই লৈত্রবা চীংলৈবাকসিনা মসিদা হিংমিন্নরিবা মীপূম খুদিংমক্না চীং লৈবাকনি হায়নীংদবা য়াওরিবসিনা করিগীনো? চীংমী মরকসিদা জেনরেল ওইনা লৈরম্লিবা অসিনা কদাইদগী চঙলক্লগা লৈরম্লিবনো? মসি ঙসি ঙসিমক মীচম মীয়াম্না লেপ্পা লৈতনা হংনরিবা ৱাহংনি।

# প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা গ্রামিন, খুঙ্গংশিংগী থৌবুরেল, গ্রাম পঞ্চায়ট/মীয়ামদা পীবা পাউজেল

এম কপাজি সিংহ

**১) ইন্দিয়া** লৈঙাক্না লাক্লিবা কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা য়ূম-কৈ লৈজদবা মীপূম খুদিংগী য়ূম শানবা পান্দম থল্লি। হৌখিবা এপ্রিল ১দগী হান্না ইন্দিরা অৱাজ যোজনা হায়না খঙনরম্বদু প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা গ্রামিন হায়না খঙনরগনি।

২) অনীশুবদা পি এম এ ৱাই-জি হায়রিবা স্কিম নৎত্রগা থৌরাং অসিগী মখাদা য়ূম শাজনবগী খুদোংচাবা ফংগদৌরিবশিং অদু সোসিও-ইকনমি কষ্ট সেন্সস-২০১১কী মনুংদগী খনগনি। মশাগী য়ূম লৈজদবা নৎত্রগা য়ূম অমগী কা অমদা পুল্লপ লৈবা নৎত্রগা কা অমা অনীদা লৈবা য়ূমদা ইমুং মনুং লোইনা লৈমিন্নবা লোয়ননা য়ূমশিং অদুগী য়ূমথক অমদি ফক্লাং নিংথিনা খাদবা মীওইশিংগী য়ূমশিংসু কাষ্ট সেন্সসকী মতুং ইন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্না লেম্না য়ূম শাবগী খুদোংচাবা ফমহনগনি। অদুবু পূম্নমক অসি স্কিম অসিগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্নদি পাঙথোক্কনি। লোয়ননা শাগদৌরিবা য়ূমশিং অদুগী মীশিং অদুগী ফীভম অমসুং অহান অকোন নাইনা তৌগনি। গ্রাম পঞ্চায়ট খুদিংমক্তা লৈবা সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইব, অদর্স অমসুং মাইনোরিটিশিংগী ওইনদি মখোয়গী তোঙানবা প্রাইওরিটি লিষ্ট অমা থমগনি।

৩) অহুমশুবদা য়ূম শানবগীদমক্তা খনগৎলবা মীশিং অদুগী লিষ্ট অদু মরী লৈনবা গ্রাম পঞ্চায়ট, খুনগী থৌবুরেল নৎত্রগা খুল্লাকপদা য়েনথোক্কনি। মসিগী মতুংদা গ্রাম সভা নৎত্রগা ভিলেজ ওথোরিটিগী মফমদা শিন্নদুনা অচুম চুমদা লেপথোক্কনি।

৪) ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ূম লেম্না শানবগী থৌরাং অসিগী ঈ-পাউশিং অসি বি দি ওশিংনা প্রধান অমসুং ভিলেজ ওথোরিটিশিংগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱা তান্নরবা মতুংদা মীপূম শিন থুংনা খঙনবা রেদিও, টি ভি অমসুং পাউচেনচিংবদা ফোঙদোক্কদবনি। লোয়ননা য়ূম লৈজদবা মীশিং অদু মশক খঙদোক্লবগী থৌরাং অদুসু বি দি ও, প্রধান অমসুং ভিলেজ ওথোরিটিগী মীফমদা মপূং ফানা খন্নদুনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি। অকোনবদা য়ূম শাবীনবগী গ্রাম সভা অমসুং ভিলেজ ওথোরিটিনা মাগী মাগী এরিয়াদগী খনগৎলবা মীশিং অদু বি দি ওনা শিন্দুনা মমীং মথানচিংবা লিষ্ট অমা শেমদুনা নুমিৎ ৭ চুপ্না থেৎলগা থমগদবনি।

৫) য়ূম শানবগী খনগৎলবা মীশিং অদুগী মতাংদা কনাগুম্বনা য়েৎনীংবা লৈরগদি নুমিৎ ১৫নি ফাওবগী মনুংদা বি দি ওদা য়েৎপা য়াগনি। য়েৎলিবা নৎত্রগা ৱাকৎলক্লিবা অদু বি দি ওনা তারবা মতুংদা দি সীদা রিপোর্ট অমা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা পীশিনগনি। অপিলেট কম্মিটিগা মকোক ওইরিবা দি সীনা ৱাকৎ অদু তারবা মতুং নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা ৱাকৎ অদুগী ৱারোইশিন পুরক্কনি।

৬) করিগুম্বদা সোসিও ইকনমি কাষ্ট সেন্সসকী মনুং চন্দবা অদুগা য়ূম কৈদি লৈজদবা মীশিংনা পি এম এ ৱাই স্কিম অসিগী গাইদলাইন মখাদা আপিলেট কম্মিটিদা দরখাষ্ট থাবা য়াগনি। অসিগুম্বা মখলগী পিটিসন অসি অপিলেট ওথোরিটিগী মকোক ওইরিবা দি সীনা গ্রাম সভা অমসুং ভিলেজ ওথোরিটিগী খূত্থাংদগী লৌশিনগনি। লোয়ননা মতৌ অসুম্না য়ূম শাবীনবা থাঙ্গৎলকপা ৱাফম অসি বি দি ও নৎত্রগা মরী লৈনবা ওফিসারনা হান্না য়েংশিনগনি। করিগুম্বা এস ঈ সী সীগী মনুং চন্দবা মীশিংনা য়ূম শাজগে হায়না থারক্লিবা দরখাষ্ট অদু চুম্লে হায়না অপিলেট ওথোরিটিনা খঙলবোইদি রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়টি রাজ লোইশঙদা পীখৎকদবনি।

৭) তরেৎশুবদা য়ূম শানবগী খনগৎলবা মীশিং অদু স্কিম অসিগী মখাদা লাক্ষ ১.৩০ ফংগনি। মসিগী মথক্তা লুপা ১২,০০০ অমসুং শেল চঙদনা শাবা য়াবা অমাংশঙ অমা শানবা শেনফমসু এম জি এন আর জি এস স্কিমদগী ফংগনি। লোয়ননা করিগুম্বা লৈঙাক্কী শেন্থুং মখাদা লেম্না য়ূম শাবগী খুদোংচাবা ফংলিবা মী অদুনা মশানা য়ূম অদু শাজরবদি নুমিৎ ৯৫গী চাংদা পারগা লুপা ১৯,৩৮০ অমসুং এম জি এন আর ঈ জি এস স্কিমদগী ফংগনি। মতৌ অসুম্না মী অদুনা মাগী য়ূম শানবগী গভর্ণমেন্টতগী ফংগদৌরিবা অপূনবা শেনফম অসি মখাগী অসিনি 1.30 lakhs + Rs. 0.12 lakhs + Rs. 0.19380 lakhs = 1.61380 lakhs নি।

৮) শেনফম (Rs. 1.30 lakhs) অসি বিনিফিসরিসশিংদা মখাদা পীরিবা য়ূম শাবগী তাঙ্কক অসিগী মতুং ইন্না থাদোকচগনি।

| সে:নং: | য়ূমগী তাঙ্কক | পৈশা থাদোকপগী তাঙ্কক | শেনফম |
|---|---|---|---|
| ১। | য়ূম Sanction তৌবা মতমদা | অহানবা তাঙ্কক | Rs. 48,000/- |
| ২। | Plinth Level লোইবগী তাঙ্কক | অনীশুবা তাঙ্কক | Rs. 42,000/- |
| ৩) | Lintel Level লোইবগী তাঙ্কক | অহুমশুবা তাঙ্কক | Rs. 40,000/- |

অপূনবা- Rs. 1.30.000/-

অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা শেনফম থাদোকত্রিঙৈগী মাঙওইননা মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংনা গাইদলাইনগী মখাদা নীতি চুম্না য়েংশিল্লবা মতুংদা Direct Benefit Transfer (DBT) গী খূত্থাংদা থাদোক্কনি।

৯) অমরোমদা শাগদৌরিবা য়ূমশিং অদু খঙ হৈরবা অমসুং ত্রেনিং ফংলবা য়ূমশাবশিংগী লমজিং মখাদা শাগনি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু অহৈবা য়ূমশাবশিং অসি মতেং পাঙহনগনি। য়ূমশাবা ত্রেনিং তৌবগী থবক্না ইন্দিয়া লৈঙাক্না শকখঙলবা এজেন্সিনা তৌগনি।

১০) ৱাফম অমনা য়ূম লেম্না শানবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শেল পীথদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়গী হান্নগী য়ূমশিং অমদি নৌনা লৈঙাক্কী শেন্থুং মখাদা শাগদৌরিবা য়ূমশিং অদু জিওটেগ ফোটো লৌদুনা য়েংগনি অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না শাগদৌরিবা য়ূমশিং অদুগী শেনফমশিং খুদোংচাবা ফংলিবা মীশিং অদুগী বেঙ্ক একাউন্টতা হাপচিনগনি।

১১) PMAY-G গী মখাদা চহী-চহীগী ওইনা চাওরাক্না য়ূম কয়াম শাগনি হায়বা মখাদা পীজরি।

| চহী | ২০১৬-১৭ | ২০১৭-১৮ | ২০১৮-১৯ | ২০১৯-২০দগী ২০২১-২২ |
|---|---|---|---|---|
| য়ূমশিং | ৯৭৪০ | ১৫৩৯৮ | ১৫৩৯৯ | ৯০০০ (চাউরাক্না) |

১২) য়ূম শাবদি য়ারবা অদুবু SECC-2011গী লিষ্টতদি য়াওদ্রবা মীওইশিংগীদমক্তা PMAY-Gগী মখাদা য়ূম শাবা য়ান্নবগীদমক্তা দেপ্যুটি কম্মিস্নারনা মকোক ওইবা Appellate Committee গী মমাঙদা পুথোক্লবা দি সী নৎত্রগা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা বিনিফিসরি অমা ওইনবা দরখাষ্ট থাবা য়াগনি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মতিক চারবা ওথোরিটিদগী অয়াবা লৌরবা মতুংদা হায়রিবা মীওইশিং অসি মথংগী চহীদা PMAY-G গী মখাদা য়ূম শাবা য়ারগনি।